# এডিটোরিয়েল

## মপান্দগী মীতোপ চংশিল্লকপা থীংবা

*লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং ঙাক শেন্দুনা কন্নবগীদমক অমদি মপাল লমদগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপ থীংনবা মরীলৈনবা আইন শেমদুনা চংনহনগদবনি হায়না মীয়ামগী অকন্নবা খোংজং চংশিলিঙৈ চৈরক অসিদা মপূং ওইনা য়ূমথংনরিবা লৈবাক্তগী রেহিংয়া হায়না খংনবা কাংলূপ অমগী মীওইশিং মণিপুর য়াউনা অৱাং নোংপোক লমদমদা জেসা-উপাই তৌদুনা চংশিল্লকপগী অচৌবা ৱাথোক অমমুক লাক্লি। অমরোমদা ভারত সরকারনা সিটিজন (এমেন্দমেন্ট) বিল পুথোক্তুনা পাস তৌনবা থবক লৌখৎলকপগী মায়োক্তসু অৱাং নোংপোক ষ্টেটতা চরাংনবা থোক্লি। অসুন্না মীৎয়েং অহুমদগী মীয়ামগী তংদু- লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈরক্লিবা অসিনা লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী খূন্দা-লৈতাদুনা লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা ভাব তান্নদবা থোরক্লবগী মরমসু ওইহল্লি। তৌবগীদি ইসুশিং অসি ষ্টেট সরকার খক্তনা লাকশিনবা নৎত্রগা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবদা ৱানা থোক্লগদবা ঙাক্তনি। মপান্দগী ঙমখে লান্না আইনগী ৱাংমদা চংশিল্লকপা মীতোপ খুদিংমক চেক তৌনবা চীফ মিনিষ্টরনা অকন্নবা য়াথং পীবদগী পুলিস দিপার্টমেন্টনা মফম মরিদা দ্রোপ গেট হাংদুনা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে। থা খরগী মমাংদসু লমদম অসিদা মীতোপ চংশিল্লকপা নিংথিনা চেক তৌনবা মপূং ওইনা জিরিবাম, মাও অমসুং মোরেদা অখন্নবা থৌরাং তৌখ্রবনি। মদুগী মথক্তা হৌজিক অহেনবা থৌরাং অসি তৌরকপনি। সরকারনা লৌখৎলিবা থবক অসিনা কদাই ফাউবা মীতোপ চংশিল্লকপা থিংবা ঙমগদগে হায়বদুদি কনানসু খংবা ঙমদ্রি। ইম্ফাল সহর ময়োল মক্তদা আইননা য়াদবা মীতোপ কয়া শাশিন্নবা চে-চাং পায়দুনা লৈরম্বা থেঙনখ্রে। নেসনেল আইদেন্টিটি ওইরিবা অধার কার্দ ফাউবা অতোপ্পা ষ্টেটকী শাশিন্নবা পায়রগা লৈরম্বা থেঙনখ্রে। অদুনদি লমদম অসিদা মীতোপ চংলক্লিবা অসি অরোনবা অমদি অচৌবা খুজিল থৌরাং অমগী মখাদা তৌব্রা হায়বগী চীংনবদু পোক্নরকখিবনি।*

*ষ্টেট অসিগী হৌজিক হৌজিক থেঙনরিবা ইসু কয়া অসিগী মরক্তা মপাল লৈবাক্তগী শাশিন্নবা ইন্দিয়াগী চে-চাং পায়দুনা চংশিল্লকপা অমদি চংশিন্নবা হোৎনরকপা হায়বসি তরাইনা লৌবা য়ারোই। অরোনবা খুজিল থৌরাং শোয়দনা য়াউরমগনি। মসিগী মতাংদা কুপ্পা য়েংশিনবা অমসুং থিজনবা দরকার ওইরি। চুপ্নতগী চেক পোষ্ট নৎত্রগা গেট খরা হাংদুনা চেক তৌবা খক্তনা ওইবা য়ারোই। চেক তৌবগা লোয়ননা অরোনবা খুজিল থৌরাং অদুসু চপ চানা খংদোক্লবা হোৎনগদবনি। মসিগীদমক তোঙান তোঙানবা এজেন্সি কয়া শিজিন্নবা য়াই। আইন্না য়াদবা মীতোপ চংশিল্লকপদা আইনগী মতেঙ লৌদুনা থিংনবা হোৎনবক্তনা হেন্না অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি নৎত্রবদি ৱাখল লান্না খন্নখিদুনা কাংলূপ-ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদবা, উংখৎনবা ওইনা উখ্রবদি হেন্না নুংঙাইতবা থোরক্লোই হায়নিংঙাইদসু লৈতে। মরম অদুনা সরকারনা হীরম খুদিংমক্তা মায়কৈ কয়াদগী অশানবা মীৎয়েংগা লোয়ননা হৈশিঙনা মীয়ামগী অপাম্বা অনীংবা খংনা থবক তৌফম থোকই। মীচং মীখায় নাইবা য়ারোই, মখল অমক্তগী খুদোং চাবা লৌনবা হোৎনবসু ফরোই অমদি ৱা য়াম্না ঙাংবনসু কান্নরোই। লৈরিবা ইসুশিং অসি অরাইবা অমক্তা নৎতে। খোঙফম অমা শোয়খিবদা ওইরক্কদবশিং অদু মাংজৌননা উবা ঙম্নবা হোৎনবা তাই।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### পার্কিং পোলিসি শেম্বগী মতম ওইদ্রিবরা?

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

মতমনা পুরকপা অওনবশীংগী মনূংদা চহি খুদিংগী মণিপুরদসু মীশীংদগী গারীগী মশীংনা হেনগৎলক্লি। শিজিন্নদ্রবসু য়াবা মফম ফাউবা গারী শিজিন্নরক্লি। ইশা-ইশানা থৌরকপা গারীশিং পার্ক তৌফম খঙনদ্রি। ত্রাফিক পুলিসনদি গারী মফম চানা খামলমদবা মখৈ ফাইন- টেক্স লৌখৎপীরি অদুবু লুরিবদি পার্কিং মফম লম্বীগী মতাই নৎত্তবা বজার মনূং ওইদবা কদাইদা পাক শেম্বীরবগে? পার্কিং মফম চানা পীদ্রিবসি টেক্স মশিং য়ামখৎনবগী পোলিসি ওইগদৌরিব্রা? বজার মনূংদা ত্রাফিক পুলিস অমদি ষ্টেট পুলিসশিংনা চিল্লবা মরক, খুদম ওইনা ৱাহেংবম লৈকাইগী থোং মথক, কৈশাম্পাত, ওভরব্রিজ লোইরকপা ইমা কৈথেলগী চিল্লবা মরক অসিনচিংবদা টেক্স ফাইন লৌবা খক্তমক ওইগদৌরিব্রা? মসিনা মীয়ান্না চৎনরিবা লম্বীদা অয়েৎপা অমদি ত্রাফিক প্রোব্লেম ময়াম অমা থোক্তবা নৎতে। লম্বীগী মতাই হায়গদ্রা ময়াই ওইরপ হায়গদ্রা খামজিল্লিবা গারীশিং নিয়ম লান্না পার্ক তৌবগী ফাইন টেক্স লৌবা তোকপীরো মদুগী মহুত্তা নিয়ম চুম্না পার্ক তৌহনবগী হৈনবী লৈহন্নবা হোৎনসি। ইম্ফালদগী হায়দোকখিবা হায়ৱেশিং অমদি অতৈ লম্বীশিংগী মতাইদা খামজিল্লিবা গারীশিং অসি উবদা য়াম্না ফজদবা ওইহন্দবদি নৎতে। চপ চাবা পার্কিং তৌফম অমদি য়ুম-য়ুমগী মপান, লম্বীগীনা মতাইদা থমজিল্লিবা গারীশিং অসি প্রাইবেত গেরেজ ওইনা উবিরব্রা অমদি অসিগুমবসি লেপহনবগী থবক লৈঙাক্কী খূৎতা লৈতবরা?

লৈঙাক্কী অমদি লনাই হোটেল, ওফিসনা চিংবশিং (মালোমগী ওইল দিপো, এফ সি আই গোদাউন অমদি অতৈ মফমশিং) অমদি লম্বী মপালদা লৈবা লনাই স্কুলশিং অসিগী মমাংদা পোত্থাবা লাকপা হেভি ভেহিকল, মহৈরোই পুরকপা গারীশিংনা লম্বী মতাই, ময়াই ওইরপ হায়গদ্রা পার্ক তৌশিনবনা লম্বীগী ফীভম য়াশিলক্ত্রে, মদুদগী উফুল হৌজিল্লকপনা মরম ওইরগা গারী মচা অমদি পেসেঞ্জর গারী তোঙদুনা চৎলিবশিংদা খুদোঙ চাদবা নংহলক্লি। অমদি লায়না তিলনা কয়াগী অচৌবা হৌরকফম ওইহল্লি, খুদম ওইনা লোক লাইহৌ, সাইনস অমদি অতৈ কয়ানি। অচৌ-অশাং, ভি আই পি শিংদি মাগী-মাগী কার মনূংদা ফম্নগা মিংশেল হায়গৎতুনা এ সি থাদুনা নুংঙাইনা চৎখিনি অৱাবা করিসু মায়োক্নরগ্নোই। হকথেঙননা ৱাহৌবদি ভি আই পি ওইহৌদবা মমল অতাঙবা কার তোংহৌদবা মীয়ান্নি খংজিনবিয়ু। মালোমগী ওইল দিপো অমদি লৈঙাক্কী ওইবা গোদাউন, ওফিসশিং অসি শাবা মতমদা মদুদা পোৎ থাবা লাকপা অমদি সার্ভিস তৌবা লাকপদা পুরকপা হেভি ভিহিকলশিং পার্ক তৌননবগী প্লান, পোলিসি হাপহৌদ্রিবসি করিগীনো?

অমরোমদা লম্বী পাকথোক্লবসু শেম্বা লোইবগা মদুগী মথক্তা পার্ক অমুক ওইশিল্লি, লম্বী পাকথোলুবগী ৱাহম্বোকসি লৈরিব্রা? মালোমগী ওইল দিপো হেক মমাংদা লম্বীগী নাকল -নাকল অনিদগী খামজিল্লকপা হেভি ভেহিকলশিং অসিনা হায়ৱে অমসু ওইরিবা অসিদা হেন্না মশক থিহল্লি। লম্বী চৎথোক-চৎশিনদা হেন্না ত্রাফিক্কী খুদোংচাদবা ময়োক্নহল্লি। লম্বীদা চৎলিবা প্রাইভেট ভেহিকলশিং অমদি পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা ইচিল ইনাউশিংদগী লম্বীগী কমেন্ট লৌবা কান্নগনি।

অরোইবা ওইনা লৈঙাক্কী মফমদা থমজনিংবা ৱাফমদি চপ চাবা পার্কিং পোলিসি শিনবীয়ু। অচৌ অচৌবা গোদাউন্দ অমদি ওফিস শাবা মতমদা গারী পার্কিং প্লান মতিক চানা হাপ্পীয়ু, অচিনবা মরক্তা পার্ক তৌশিনহনবীগনু অমদি গারী চংহনবীগনু। লম্বী মপাল নক্লা নৌনা শাগৎলিবা সোপিং কমপ্লেক্সশিং, ওফিস অমদি অতৈ কনষ্ট্রক্সনশিং অসিগী ব্লুপ্রিন্ট ইঞ্জিনিয়ারশিংনা রিকোমেন্দ পীবদা পার্কিং প্লান হাপহনবীয়ু অমসুং হান্না শাজিনখ্রবশিংদুসু পার্ক প্লান হাপহনবীয়ু অমদি পার্কিং প্লান য়াউদবা ব্লুপ্রিন্ট অমক্তা সেফটি ওই হায়না সাটিফাই তৌহনবীগনু।

অদোমগী
সমুরাইলাকপম রিসিকুমার
নম্বোল অৱাং লৈকাই

# এন্টিবাইওটিক্স অমসুং মসিবু শিজিন্নবদা চেকশিনগদবশিং

এন্টিবাইওটিক্স হায়বসি চাউরাক্লা- অহীংবা (লায়না পুবা মহিক-মতায় বেক্তেরিয়াগুম্বা) পোৎশক (ওর্গানিজম) অমনা ওইহল্লকপা পোত্থোক অমনা অতোপ্পা অহীংবা পোৎশক (ওর্গানিজম) অমবু মাঙ-তাকহনববুনি। এন্টিবাইওটিক্সশিং অসি হৌজিক্তি মখল-মখা মচলশিং শীজিন্নদুনা লায়েংবগী হিদাক ওইনা শুংনরে।

হৌজিক্তিঃ লায়না-তিলনা মখল কয়াদা শীজিন্ননবা হিদাক ওইনা শুংলক্লবা এন্টিবাইওটিক্স মখল কয়া হিদাক য়োনফমশিংদা লায়না ফংলে। অসিগুম্বা এন্টিবাইওটিক্স মখলশিং অসি ঙসিগী হকশেল কাঙলোনদদি য়াম্নমক মরুওইবা অদুগা নিয়ম চুম্না শীজিন্নরবদি লায়না-তিলনা কয়ামরুম্বু ঙাকথোকপদা অমদি ফহনবদা য়াম্না মগুণ লৈনা ফরবা হিদাক্লি। লায়না পুবা মহিক-মতায় তিল (বেক্তেরিয়া) শিংনা পোকহল্লকপা লায়না খুদিংমক্কীদমক্তদি এন্টিবাইওটিক্স হিদাকশিংনা খ্বাইদগী থোইরে। এন্টিবাইওটিক্স হিদাকশিংগী মনূংদা য়াম্না মরু ওইনা অমসুং পাক-শন্না মীয়ান্না শীজিন্নরিবশিংদি- এম্পিসিলিন (Ampicillin, অমোকসাইসিলীন (Amoxi cillin), টেট্রাসাইক্লিন (Tetracycline), ষ্ট্রেপ্টোমাইসিন (Streptomycin), ক্লোরামফেনিকোল (Chloramphenicol), অমদি সলফা (Sulfa) দ্রগসশিং (মখলশিং অসি চাওখৎলবা নোংচুপলমদমশিংদদি শীজিন্নবা থিংখ্রে, ভারত্তদি অথিংবা লিত্রি) নৎত্রগা সলাফানামাইদস (Sulfonamides) হায়রিবশিং অসিনি।

মখল খেন্নবা এন্টিবাইওটিকশিংনা তোঙান তোঙান্নবা লায়নাশিংদা তোঙান্নবা মওঙদা ফহন্নবা মথৌ তৌই। অদুগা এন্টিবাইওটিক্সশিং অসি শীজিন্নবদসু মরম চাদ্রবদি মসিনা অনাববু ফহনবগী মহুত্তা হেন্না খুদোংথীনিঙাই ওইবা মওঙদা শোকহল্লকপা য়াবগী মরম কয়ামুকসু ওইরকই। অদুনা এন্টিবাইওটিক্স শীজিন্নবগীদমক্তা ঐখোয়না মতম চুপ্পদা অখঙ অহৈ ডাক্তরশিংগা তানদুনা য়াম্না চেকশিন্না, নিয়ম চুম্না শীজিন্নবা হায়বসি তঙাইফদে।

হৌজিক্তি, এন্টিবাইওটিক্স মখল-মখা কয়া হিদাক শুংবা কম্পেনিশিংনা পুথোক্নরে। অদুগুম্বা কম্পেনিশিং অদুনা পুথোক্নরক্লিবা এন্টিবাইওটিক্সশিং অদু তোঙান তোঙানবা মমিং থোন্নরকই। অদুবু মনূংদা য়াওরিবা অশেংবা এন্টিবাইওটিক্স মখল অদুগী মাক মমিংদি মান্ননা য়াওই। মদুবু ঐখোয়না এন্টিবাইওটিক্সশিং অদুগী অশেংবা কাঙলূপকী মিং (Generic name) ওইনা খঙনৈ। খুদম ওইনা- এসিটামিনোফেন (Acetaminophen) হায়বা এন্টিবাইওটিক্সপু ক্রোসিন, নেটাসিন হায়বনচিংবা, সলফোনামাইদসপুনা ওরিসুল, কো-ত্রিমোসাজোল (Co-tremoxazole) বুনা বেকত্রিম হায়বনচিংবা মমিংশিংদা পুথোক্নরক্লি। অদুনা, করিগুম্বা এন্টিবাইওটিক মখল অমনি হায়বা হিদাক অমবু করম্বা মখলগীনো হায়বদু অশেংবা খঙনবগীদমক্তা কম্পেনিনা থোল্লকপা মমিংদুগী মহুত্তা, হিদাক অদুদা য়াওরিবা মখল অদু তাক্তুনা ইরিবশিংদু ঐখোয়না মুন্না পাদুনা খঙদোকপগী মথৌ তাই।

এন্টিবাইওটিক্স শীজিন্নবগী নিয়মশিংঃ

১. করি লায়নাদা করম্বা এন্টিবাইওটিকপু করন্না শীজিন্নগনি হায়বদু ময়েক শেংনা মুন্না খঙবা তাই।

২. অনাবা অমবু ফহন্নবগীদমক্তঃ শীজিন্নগদৌরিবা এন্টিবাইওটিক অদুনা হকচাংদা করম্বা অশোয়বা (সাইদ ইফেক্ট) পীরক্কদগে হায়বদুমসু কুপ্না খঙদোকপা তাই।

৩. লায়না অমগীদমক্তা শীজিন্নগদৌরিবা এন্টিবাইওটিক অদু চাং কয়া-য়াম্না শীজিন্নগদবা চাং অদুদগী হেল্লবসু তারবসু হকচাংদা মাঙনীংঙাই ওই।

৪. এন্টিবাইওটিক্সশিংদি অয়াম্বা মতমদা য়ারিমখৈ চাদুনা নৎত্রগা থক্তুনা শীজিন্নে। তঙাইফদনা ইঞ্জেকসন ওইনা কাপ্পগীদি ডাক্তরশিংগী পাউতাক্কী মখা পোলহনগদবনি।

৫. লায়না অমগীদমক্তঃ অকক্নুনা শীজিন্নরিবা এন্টিবাইওটিক মখল অদুনা হকচাংদা হাকৎচবা, শ্বর হোনবদা নুঙাইতবনচিংবা নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা অরুবা ফিভম অমা ওইহল্লক্লবদি, এন্টিবাইওটিক অদু শীজিন্নবা খুদক্তা লেপ্পগা পন্থদনা অখঙ-অহৈ ডাক্তঃরশিংগা তানবিগদবনি। অদুগা মদুম্না থোকখ্রবদি মান্নবা মখলগী এন্টিবাইওটিকশিংবু কৈদৌনুংদসু শীজিন্নররোইদবনি।

৬. এন্টিবাইওটিক মখল খুদিংমক তশেংনা দরকার লৈরবা মতাঙদতা শীজিন্নগদবনি। য়াম্না তোয়না শীজিন্নমল্লবসু কান্নরক্তে। মদুনা হকচাংদা হাৎকদৌরিবা মহিক-মতায়শিং অদু হিদাক্তুদা হৈনবী ওইরক্তুনা ময়ায় য়াওদ্রবগুম ওইরকই।

৭. এন্টিবাইওটিক্সশিংদি মতমচুপ্পদা অমগ-অমগা পূনশিন্নদুনা শীজিন্নরোইদবনি (ত্রিমেথোপ্রিমগা সলফা মেথাসাজোলগদি অখন্ননা য়ানশিন্নবা য়াওই)।

এন্টিবাইওটিক্স শীজিন্নবদা চেকশিনগদবশিংঃ

১. হকচাংদা চানদবা করি মওঙ থোরক্কদগে, চানবরা- চানদবরা হায়বগী তাংদাংবা চাংয়েং তৌদদুনা পেনিসিলিন অমদি এম্পিসিলিন কৈদৌনুংদসু শীজিন্নরোইদবনি। চাংয়েং তৌবদবু ওইরবসু, তৌরবা মতূংদা শীজিন্নবদবু ওইরবসু, করিগুম্বা চানদবগী মওঙ লাকপা থিংনবগীদমক্তা মতমচুপ্পদা এদ্রেনালিন (Adrenalin) হায়বা হিদাক অসি খুদক্তা কাপশিনহৌনবা থৌরাং তৌদুনা থমহৌগদবনি।

২. পেনিসিলিনগা পক্ক দ্রবদুদি এম্পিসিলিনগসু চানররোই, অদুনা অতোপ্পা মখলগী এন্টিবাইওটিক্স (Crythro mycin/a sulfa) শীজিন্নবা তাই।

৩. অচম্বা এন্টিবাইওটিক অমা শীজিন্নরগা ফরগদবা অনাবগীদমক্তঃ অকনবা, হকচাংদা পাক-চাউনা মথৌ তৌবা টেট্রাসাইক্লিনগুম্বা (Broad-spectrum) এন্টিবাইওটিক্স মখলশিং শীজিন্নরোইদবনি।

৪. টেট্রাসাইক্লিন হায়রিবা এন্টিবাইওটিক মখল অসিদি চহী তরানীথোই মখাগী অঙাং অমদি মীরোল্লবী নুপীদা কৈদৌনুংদা শীজিন্নহল্লোইদবনি। ইঞ্জেক্সন ওইনসু য়ারিমখৈ কাপ্পদে।

৫. হকচাংগী উনশা হাংদোকপমখৈ (তৎপা) নংবা অশোক-অপনশিংদা, এন্টিবাইওটিক মখল অমা ওইরিবা পেনিসিলিন য়াওবা মোলোম নৎত্রগা পাউদর তৈশিনবিবা খক-তৌরোইদবনি।

৬. ষ্ট্রেপ্টোমাইসিন কাঙলূপকী এন্টিবাইওটিক (কানামাইসিন অমদি জেন্টামাইসিন য়াওনা) মখলশিংদি, ইচম-চম্বা অনাবগীদমক্তঃ খক-শীজিন্নরোইদবনি। মখল কাঙলূপ অসিদি মহূ কনবা হিদাক্লি, অচম্বা অনাবা অমদদি হিদাক মখল অসিনা কান্নবা পীবগী মহুত্তা হকচাংগী অতৈ ফিভমশিংদা হেন্নদুম শোকহল্লকনীঙাই মচাক ওই।

৭. ক্লোরামফেনিকোল (Choloram phenicol) হায়বা এন্টিবাইওটিক অসিদি ‘typhoid fever’ গীদমক্তা শীজিন্নে। অতোপ্পা অচম্বা লায়নাশিংগীদমক্তদি শীজিন্নদে। পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংদসু পীজনদে। ইঞ্জেক্সন ওইনসু য়ারিবমখৈ কাপ্পদে।

৮. শীজিন্নগদবা নৎত্রগা শীজিন্নরিবা এন্টিবাইওটিক খুদিংমক, হিদাক্তুগী ময়ায় চম্লগদবনি হায়না থারিবা মতম অদুদগী (এক্সপ্যারি দেট) হেনদোক্লগদি শীজিন্নরুবদা য়াম্না খুদোংথীনিঙাই ওই। মসিগীদমক্তা ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনগদবনি।

লায়না তিলনাগী মহিক-মতায়শিংনা শনদোরকপা লায়না মখল অয়াম্বদি এন্টিবাইওটিক শীজিন্নরবা নোং-নীনিগী মনূংদা ফগৎলকপগী মওং লাকই। অদুবু করিগুম্বদা, শীজিন্নরিবা এন্টিবাইওটিক অদুনা হকচাংদা কান্নবা অমত্তা পীরক্ত্রবদি মখাগী ৱারোলশিং অসি নীংশিংবিয়ু। অদুদি-

১. অনাবগী লাইওং অদু করিনো চপ-চানা খঙদবনা শেরান্নবা এন্টিবাইওটিক শীজিন্নরম্বা য়াই। শেরান্নদনবা হোৎনবিয়ু।

২. শীজিন্নরিবা এন্টিবাইওটিক্কী চাং অদু ৱাৎলম্বা য়াই। শেমদোকপীয়ু।

৩. এন্টিবাইওটিক মখল অদু ইশানা তোয়না শীজিন্নমনবদগী মদুনা হাৎকদবা বেক্তেরিয়াশিং অদু মদুদা হৈনরক্তুনা শিবা ঙম্লক্ত্রবা ওইরম্বসু য়াই। অখঙ-অহৈ তানবিরগা অতোপ্পা অমা শিন্নবা থৌরাংবিয়ু।

৪. এন্টিবাইওটিক মখল অমা হঞ্জিন-হঞ্জিন শীজিন্নরবা, নৎত্রগা শীজিন্নবগী চাং ৱাৎপা নৎত্রগা নুমীৎ মশিঙ ৱাৎপা তারবসু মদুনা হাৎকদবা বেক্তেরিয়াশিং অদু শিথরকপগী মহুত্তা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎলক্তুনা হিদাক্কী ময়ায় অদু করিসু কান্নহল্লক্তে।

ঙসিদি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা এন্টিবাইওটিক মখলগী হিদাকশিং অসি করিসু নত্তবা ইচম-চম্বা, ইরায়-লায়না ফহনবা ঙম্বা নৎত্রগনা মথন্তা ফজখিগদবা অনাবা অমগীদমক্তসু পংশি-শীজিন্নমনবদগী মসিনা হাৎকদবা বেক্তেরিয়াশিংবু শিহনবা ঙম্লক্তবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরক্লে। মরম অদুনা ঐখোয় ইশা-ইশানা হকচাংগী অনাবগীদমক্তা অখঙ-অহৈ ডাক্তরশিংগা তানরুবা তৌদনা এন্টিবাইওটিক্সশিং শীজিন্নরোইদবনি। অমরোমদা, এন্টিবাইওটিক্সশিং শীজিন্নবদগী থোরকপা অমাঙবা কয়াসু লৈতবা নত্তে।

ৱাফম অমনা, ঐখোয়গী হকচাংদা পকপা বেক্তেরিয়া খুদিংমক লায়না পোকহনবা ঙাক্তঃ নত্তে। কয়া অমদি হকচাংবু না- য়েক্তনা লৈহনবদা মতেঙ পাংলিবনি। অদুবু এন্টিবাইওটিক শীজিন্নবনা ঐখোয়গী হকচাংদা কান্নবা পীরিবা বেক্তেরিয়া মখলশিংবুসু মাঙহল্লিবনি। মদুনা অমুক তোঙান-তোঙানবা অনৌবা লায়নাশিং পোকহল্লক্কবগী মচাক ওইরক্লিবনি। এন্টিবাইওটিক্সশিংবু মরম ইরৈ- লৈতনা কান্নদবদা শীজিন্নরুবনা মরম ওইদুনা চহী খুদিংগী মীওই কয়া মপুক্সী মাঙনৈ হায়বসিমসু ঐখোয় খুদিংমক্না মতম চুপ্পদা কাউনরোইদবনি।

কর্টেসিঃ ভি ঐচ এ আই

# ইঞ্জেক্সন কাপ্পা অমসুং চেকশিনগদবশিং

ইঞ্জেক্সন হায়রগদি ঐখোয়না হকচাংদা য়েৎতুম থিন্দুনা হিদাক মহি কাপশিনবগী থৌওংবু খঙনরে। অশুন্না হিদাক কাপ্পগী থৌওং অসি মখল মরি লৈ-

১. ইন্ট্রাদরমাল (Intradermal)ঃ হিদাক কাপশিনগদৌরিবা য়েৎতুম অদু উনশানা লৈরিবা পরিং অদুদগী শুকয়ুং য়ুংখত্তনা কুরাংবান ফাওনদং থিংজিল্লগা হিদাক খজিক্তং কাপশিনববু ইন্ট্রাদরমাল ইঞ্জেক্সন হায়না খঙনৈ। অগুম্বা মখলগী হিদাক খুৎকাপ অসিদি করিগুম্বা হিদাক মখল অমগী ইঞ্জেক্সনবু কাপশিনগদৌরিবা হকচাং অদুদা চানবরা নৎত্রগা চানদবরা হায়বদু য়েংথোক্লবদা চৎথনৈ। অদুগা বি.সি.জি. গুম্বা ইম্যুনাইজেসন (লায়না অমগী অহিংবা মহিত্তুমকপু হকচাংদা কাপশিন্দুনা লায়নাদুমক্তগী ঙাকথোক্লবা থৌওং) গুম্বদসু হিদাক খুৎকাপ অসি চৎথনৈ।

২. সবক্যুটানিয়স (এস.সি.) {Subcutaneous (S.C)} অনোইবা শদোংশিংগা লোয়ননা খুদং, ফৈগন অমদি পুক্কী উনশাদা য়েত্তুম্বু চেপ্লপ্পা খজিক্তং থিংজিল্লগা, উনশাগী কুরাংবান হেক মনুংমক্তদা কাপশিনবা হিদাক খূৎকাপনি। ইপিনেফ্রিন হায়বা হিদাক মখলসিমদি মওং অসিদা কাপ্নে।

৩. ইন্ট্রামস্কুলর (আই.এম.)ঃ খূৎকাপ অসিদদি হিদাকপু হকচাংগী মশলদা কাপশিল্লি। মসিদদি পাম্বোম, ফৈগন অমসুং নিংজোনগী মশলদা হিদাক কাপ্পগী য়েত্তুমদু য়ুংলপ্পা হেক্তঃমক থিংজিল্লগা হিদাক কাপশিল্লি। হৌজিক মতমগী হিদাক মখল অয়াম্বা, মওং অসিদা কাপ্নে।

৪. ইন্ট্রাভেনস (আই.ভি)ঃ হকচাংগী শিংলি মনূংদা কাপশিনবা হিদাক খুৎকাপ্পু ‘ইন্ট্রভেনস ইঞ্জেক্সন’ হায়না খঙনৈ। হিদাক খুৎকাপ মওং অসিদি, লম অসিদা য়াম্না মুন্না খঙ হৈরবা মীওই অমনা মদুসু য়াম্না চেকশিন্না কাপকদবনি। অমা-অমানসু হেক্তঃ কাপহনবীরোইদবনি। মসিদা শোয়রবদি অনাবসু খুদক্তা শিবা য়াবগী খুদোংথীনিঙাই য়াম্না লৈ হায়বসি মতম চুপ্পদা নিংশিংনবীগদবনি।

**করম্বা মতাংদা হিদাক কাপকনি নৎত্রগা কাপ্লোইঃ** হিদাক কাপ্পগী তঙাইফদবসি হেক্তমক পংলৈ লৈবা নত্তে। হিদাক শিজিন্নরগা ফরক্কদবা লায়না মখল অয়াম্বা হিদাকশিংদুবু চারগা লায়েংবতা নত্তনা হেন্না ফহল্লকপা ঙম্বা ঙাক্তঃনি। লায়েংবদা শিজিন্নরীবা হিদাকশিংনা করিগুম্বদা হকচাংদা মাংহল্লক্লিংঙাই লৈরকপা তারবদি, চিন্দা চাশিল্লিবদুদগীদি ইঞ্জেক্সন ওইনা কাপশিল্লিবদুনা হেন্না খুদোংথীনিঙাই ওই হায়বসি নিংশিংনবীগদবনি।

ইঞ্জেক্সন হায়বসিমক্তবু তঙাইফদনা মথৌ তারে হায়রবা কান্দতা শিজিন্নবীগদবনি। শিজিন্নবীবা তারবসু লম অসোমদা খঙ-হৈরবা মীওইশিংদতা কাপহনবীগদবনি।

**ইঞ্জেক্সন শিজিন্নবগী মতাংশিংঃ**

১. অনাবদুবু লায়েংবদা চংলিবা হিদাক মখল অদু চাব-থকপা য়াবা মওংদা শুংফংমক ফংদ্রবা মতাং,

২. অনাবা মীওইদু য়াম্না তোইনা ওথোক্লবা নৎত্রগনা চাগদৌরিবা হিদাক্তু য়োৎশিনবা ঙমদনা গ্যান মাংলিবা,

৩. তঙাইফদবা অথু অকাইগী মতমদা।

ডাক্তঃরনা ইঞ্জেক্সন হায়রক্লবদিঃ ডাক্তরশিংগী মরক্তা কনাগুম্বনা মথৌ ইতা তাদবদা অনাবদুবু হিদাক কাপসি হায়বসি য়াওনদবা নত্তে। থৌওং অসি মখোয়না অনাবদুবু নিংথিনা লায়েংবা মালহন্নবা নৎত্রগনা অনাবদুদগী শেল হেন্না লৌবা য়ানবা ওইরম্বা য়াই। অদুবু মদুনা থোরকপা য়াবা খুদোংথীবশিংদুবুদি মখোয়না কাউথোক্লি। অদুনা ডাক্তরনা করিগুম্বদা ইঞ্জেক্সনগী ৱাফম পল্লকপা তারবদি মদুগী মহুত্তা চাবা য়াবা মান্নবা হিদাক মখল ফংব-ফংদবা হায়বদু মুন্না হংদোকপীবদা চিংনবীরোইদবনি, লোয়ননা ইঞ্জেক্সন্দু শিজিন্নবমক তারবসু অদোমগী মনাক নকপদা হিদাক কাপ্পগী লমদা থোইদোক্লা খঙ- হৈরবা মীওই লৈ- লৈতে হায়বদুসু শুগায়না হায়বীগদবনি। ৱাফম অমনা কনাগুম্বা ডাক্তঃরনা অনাবা অমদা- ভিটামিন, ভিটামিন বি ১২ কুম্ববু হকচাংগী ঈ টেষ্ট তৌথোকখিবা লৈতনা কাপ্পুকা হায়রক্লবদি, ডাক্তরদুদা অমুক হন্না চংলুদনা অতোপ্পা অমদা নৌনা তানবীরুগদবনি হায়বসিমসু নিংশিংনবীবদা কান্নবা ৱাফন্নি। য়ারিবমখৈ ইঞ্জেক্সন শিজিন্নরোইদবনি হায়রগসু- নিমোনিয়া, টিটানস, এপেন্দিসাইটিস, নোংমৈনা পানবা, বৃশ্চিক (স্কোরপিয়োন) না চিকপা, মিনিনজাইটিস, থিংঙমদনা ওবা, অকনবা হরা কংখু, পক্কদবা (এলরজিক) গী অকনবা মওংনচিংবা লায়নাশিংগীদমক্তদি পন্থদনা অখঙ-অহৈ তানবীরগা খুদক্তা চানবা হিদাক কাপথোকপীরগা য়ারিবমখৈ পন্থবীদনা লায়েং মখা চৎথবীনবা হোৎনবীগদবনি। অদুগা কাপকদৌরিবা হিদাক মখল অদু করিগুম্বা পিনিসীলিন, এম্পিসিলীন অমদি অতৈ এন্টিটোক্সিনগী মখলশিং ওইবা তারবদি, হিদাক অদু হকচাংদা পক্লব্রা পক্লদব্রা হায়বদু হান্না নিংথিনা টেষ্ট তৌদুনা য়েংথোকহনবীগদবনি। চাংয়েংদু তৌনবগীদমক্তদি হিদাক্তুগী ০.১ মিলিলীটরগী চাংদা খজিক্তং উনশাগী কুরাংবান ফাওহন্দনা উনশাগী মখামক্তঃদা তোংখৎনা কাপশিনবীগদবনি অদুগা মফমদুবু হেক য়েংবদা খঙনবা কলমগুম্বনা কোইনা য়েকশিনবীরগা মিনট ৩০ ঙাইদুনা য়েংবীগদবনি। মদুদা মখাগী মওং অসি ফাওরক্লবদি হিদাক্তুগা হকচাংগা চানদ্রে হায়বদু খঙবীগদবনি। মদুদি-

. হিদাক কাপখিবা জগাদু ঙাংশিন্না অনাবা ফাওরক্লবা অদুগা থানা পোমখৎলক্লবা,

. হকচাংদা ফুরিগুম্না মচা-মচা তংথোরক্লক্তুনা হাকজবা,

. শ্বর হোনবদা ৱাররক্লবা,

. হকচাংদা ফুম্বংননা ইপা-পাখৎ, ইথক-থক্কৎপগী মওং লাক্লবা,

. কোক লৈনা ঙাওদুনা ওনিং-ওনিং তৌরক্লবা,

. মীৎ শেংনা উশিল্লক্ত্রবা,

য়াংলেনলোমদা কন্না নাখৎলক্লবা অমদি

. হক্কি ঈশিং চৎপদা (মপান থোকপদা) অৱাবা ওইরকপা।

মথক্কী অসিগী মনূংদগী অমবু হকচাংদা ফাওরক্লবদি কাপকনি থৌরাংলিবা হিদাক অদু হকচাংগা চানদ্রবনি খঙবীবগা লোয়ননা খুদক্তঃ এদ্রেনালিন ইঞ্জেক্সন কাপশিনবীহৌগদবনি। কাপ্পগী মওংনা অহল অমদা ০.৫ এম.এল. অদুগা অঙাংদনা ০.২৫ এম.এল. গী চাংদা ওইগদবনি।

মথক্তা পনঞ্জখ্রিবা পক্লদবগী মওংশিং অসি মিনট ৩০ ফাওবদা লাক্ত্রগদি কাপকদবা হিদাক্কী মপূম ওইবা চাং অদু কাপশিনবা য়ারে। অদুবু ৱাফম অমদি - পক্লদবগী মওং অমত্তা উৎলকখিদবা মীওই অমনসু, মপুঙ ওইবা হিদাক্কী শরুক কাপশিনখ্রবা মতুংদা নৌনা পক্কদবগী মওংশিং অদু উৎলকপা য়াই। অদুনা পক্লবা পক্লদবগী চাংয়েং দরকার লৈবা হিদাকশিংবু কাপ্লবদি এদ্রেনালিন ইঞ্জেক্সনদগী অথু-অকায় নংনবা মওংদা মাঙজৌননা থৌরাং তৌবীদুনা মতম চুপ্পদা থম্বীহৌগদবনি।

কর্টেসিঃ ভি ঐচ. এ. আই